**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) স্বাস্থ নারি সাসক পরিবার অভিয়ানগী কেম্পেন রাজ্য অসিগী জিলাশিংদা পাঙথোক্লি।

২) নেসন ফার্ষ্ট এদরেট সভেন্টি ফাইব কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা রাজ্যগী হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটকী মোতিভ ৭৫ উৎপগী থৌরম অমা ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

৩) রাজ্যগী ভেটরিনারি অমসুং এনিমেল হজবেন্দরি বিভাগনা আর্তিফিসিয়েল ইনসেমিনিনেসন মোবাইল এপ্লিকেসন অমা পুথোক্লে।

৪) নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্মসতা হিদাক লাংথক্কী মমল হন্থরকপবু রাজ্যগী হিদাক লাংথক য়োল্লিবা মীওইশিংনা তরামা ওক্লি।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়রি- লৈবাক অসিগী রাজ্যশিংদা হাংলিবা ইন্দষ্ট্রিয়েল ত্রেনিং ইন্সটিট্যুটশিংদা এ.আইগী ত্রেনিং সেন্তরশিং থমবা কেন্দ্র সরকারনা মতিক চাবা শেন্থং পীরগনি।

------

নারি (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগর খুম্বোং কম্যুনিতি হেলথ সেন্তরদা পাঙথোকপা স্বাস্থ নারি সাসক পরিবার অভিয়ানগী ঙসি নিনি চনবা থৌরমদা রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজা লৈশেম্বা সনাজাউবা থৌরমদা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা হকশেল অমসুং অতৈ তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ষ্টোল ৪৬ হাংদোক্লুনা ঙসি মীওই লিশিং ১ হেন্না মতেং পাংখি। হেলথ কেম্প অদুদা তোঙান তোঙানবা লমশিং- মেন্টেল হেলথ, ওরেল হেলথ, আই কেয়ার, ট্যুবরকুলোসিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম, নোন-কম্ম্যুনিকেবল দিজিজ, লেপ্রোসি ইরাদিকেসন্নচিংবগী ষ্টোলশিং হাংখি। অতৈ বিভাগশিংগী ষ্টোলশিংদা- সোসিয়েল ৱেলফ্যার দিপার্টমেন্ট, পঞ্চায়াতি রাজ ইন্সটিট্যুসন, আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা, আয়ুসমান ভারত দিজিতেল মিসন অমদি ফুড সেফতি দিপার্টমেন্ট য়াওরি।

এম.পি. মহারাজা লৈশেম্বা সনাজাউবনা তোঙান তোঙানবা ষ্টোলশিংদা চত্তুনা য়েংশিনখি অমদি মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিং, মেদিকেল ষ্টাফশিং অমসুং ভোলুন্তিয়ারশিং অমদি অতৈ মীওইশিংগা উন্নখি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মেদিকেল দাইরেক্তোরেটকী কলেজ ওফ নর্সিংগী মহৈরোইশিংনা শিন্দুনা ক্বিজ কম্পিতিসন অমসু পাঙথোকখি।

কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্তর ৱাংগোইদসু স্পেসিয়েল স্পেসিয়েলিষ্ট কেম্প ঙসি পাঙথোকখি। কেম্প অসিদা সরভিকেল কেন্সর, হাইপর টেন্সন, ব্রেষ্ট কেন্সর, দাইবেটিক্স স্ক্রিনিংনচিংবা পাঙথোকখি।

নারি নোনে (এল)ঃ  লৈবাক শিনবা থুংনা চথরিবা হেলথ কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা স্বাচথ নারি সাসক পরিৱার অভিয়ান কেম্পেইন, ঙসি নোনে জিলাগী প্রাইমারি হেলথ সেন্টরদা হৌদোকখ্রে। মনুং হুঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা নুপী অমসুং অঙাংশিংদা হকশেলগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা মশা মউ ফবা নুপীশিংদগী অফবা মতিং লৈবা ইমুং মনুং অমা ওইহনবা ঙম্মী হায়বগী খোল্লাউদা থৌরম অসি ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: সরথচন্দ্র অরোজ্‌না হৌদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ডাঃ শরথচন্দ্র অরোজ্‌না হায়- জিলা অসিগী নুপী অমসুং অঙাংশিংনা হেলথ সেন্তরশিং লাক্লুনা খুদোংচাবশিং অসি লৌবীয়ু। হেলথ কেয়ার ৱার্করশিংনা মথৌ নিংথিনা পাঙথোক্লুনা মীয়ামদা কান্নবশিং অসি

ফংহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংনবা আপীল তৌখি।

কেম্পেন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি- নুপী অমসুং অঙাংশিংদা তোঙান তোঙানবা হকশেলগী খুদোংচাংবশিং শুকশোই শোইদনা ফংহনবনি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা নুপীশিংগীতা ওইবা হেলথ কেম্পশিং পাঙথোক্কুনা হকশেলগী খুদোংচাবশিং অদু ফংহল্লগনি। আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির (এ.এ.এম), কম্যুনিতি হেলথ সেন্তর, প্রাইমারি হেলথ সেন্তর অমসুং অতৈ পাব্লিক হেলথ সেন্তরশিংদা মথং থাগী ২ মহাত্মা গান্ধিগী মপোক নুমিৎ ফাওবা কেম্পেন অসি চত্থখিগনি।

নারি ককচিং (এল)ঃ ককচিং জিলাদসু নুমিৎ ১৫ নি চুপা চত্থগদবা স্বস্থ নারি সাসক পরিবার অভিয়ানগী থৌরম ঙসিদগী জিলা অসিগী কৈরক কাংজেবুংদা লৈবা আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দিরদা হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরমদা তোঙান তোঙানবা সরকারগী ওফিসিয়েলশিং অমদি মফম অদুগী মীওইশিং শরুক য়াখি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা হেলথ মেলা অমসু পাঙথোকখি। মেলা অদুদা অপিকপা অঙাংশিংদা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়াগী ইম্যুনাইজেসনগী থবকসু চত্থখি।

কেম্পেইন (এল)ঃ মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙরাং হৌদোকখিবা নেসন ফার্ষ্ট এদরেট সভের্ন্টি ফাইব কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা রাজ্যগী দিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সতাইলস, কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রিনা ঙসি ইম্ফালগী পাউনা বজারদা লৈবা নেসনেল হেন্দলুম, হেন্দিক্রাফট দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিতেদকী কেম্পসতা হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটকী পোন্থোক ৭৫ উৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা হেন্দলুম অমসুং টেক্সতাইলগী দাইরেক্তর এলাংবম জিতেন সিংহনা হায়- হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফটকী মোতিভ ৭৫০ হেন্না লৈ। অদুবু কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা ষ্টোল ৭৫ হাংদুনা মোতিভ ৭৫ উৎপনি। মহাকা হায়- থৌরম অসি চয়োল অনি চুপা মথং থাগী ২ মহাত্মা গান্ধিগী মপোক নুমিৎ ফাওবা চত্থগনি।

কেম্পেন (এল)ঃ  নেসন ফার্ষ্ট এদরেট সভেন্তি ফাইভ কেম্পেন জিরিবাম জিলাদসু পাঙথোকবা শেম শাবগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙরাং কেম্পেন অসি রাজ্য অসিদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা জিলা অসিদসু কেম্পেন অসি চত্থনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা হৌনবা মীফম অসিদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমারনা হায়- কেম্পেন অসিনা মীয়ামগী থবক থৌরমশিংদা হেন্না খুদোংচাবা অমসুং মাংলোমদা চংশিনবা ওইরগনি। মহাকা হায়- থৌরাং অসিনা খুঙ্গংগী চাওখৎ থৌরাং, নুপীদা শক্তি পীবা, দিজিতেল গভর্নান্স, স্কিল বিল্ডিংনচিংবদা হেন্না মীৎয়েং থল্লি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ সেভা সপতহাগী শরুক অমা ওইনা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা তাঙ্কক নাইনা অখন্ননা শন্দোক্কদবা থৌরমগী অহুমশুবা শরুক হয়েং হয়েং পুং ৭ মিনিট ৫০ দা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি।

মিনিট ২০ শন্দোক্কদবা থৌরম অসিদা 'আত্মা নিরভর ভারত' হায়বসিদা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী ইদিটর খোগেন্দ্র খোমদ্রামগা ঐখোয়গী মীহুৎ ৱাইখোম চিত্রধনিগা উন্নদুনা ৱারী শাবা তাহঞ্জগনি।

ভেটেরিনারি (এল)ঃ  রাজ্যগী ভেটেরিনারি অমসুং এনিমেল হজবেন্দরি বিভাগনা আর্তিফিসিয়েল ইনসেমিনিনেসন মোবাইল এপ্লিকেসন অমা পুথোক্লে। এপ্লিকেসন অসি মীয়ামনা হয়েংদগী শিজিন্নবা য়ারগনি।

নেসনেল ইনফোর্মেতিক্স সেন্তর মণিপুর ষ্টেট সেন্তরগা বিভাগ অসিগী সেক্রেতরিগী মীৎয়েং মখাদা শেম্বা মোইবাইল এপ্লিকেসন অসি শা-ষন লোইরিবা মীওইশিংনা বিভাগ অসিনা পীরিবা কান্নবশিং লাইনা ফংহন্নবা পুথোকপনি। হিরম অসিগী মতাংদা ভেটেরিনারি দিরেক্তর আর.কে. খোগেন্দ্রজিৎনা হায়- শা-ষন লোইরিবা মীওইশিংনা মোবাইল এপ্লিকেসন অসিদা চংবীরক্তুনা রেজিষ্টর তৌবীয়ু। মহাকা হায়- সরকারনা মতম মতমগী ওইবা শা-ষনশিংদা পীবা খুদোংচাবশিং অদু লৌবীয়ু।

সিসিপুর (এল)ঃ   মণিপুর সরকারগী হেলথ দাইরেক্তোরেটনা চুরাচান্দপুর জিলাগী মোল ভাইফৈ খুলদা লৈবা বেথেসদা হোস্পিতাল এন্দ রিছার্স সেন্তরবু ফমুং ১০০ লৈবা হোস্পিতাল অমা ওইনবা অয়াবা পীখ্রে।

চুরাচান্দপুর জিলাগী হান্নগী চীফ মেদিকেল ওফিসার অমসুং হৌজিক হৌজিকা বেথেসদা হোস্পিতাল এন্দ রিছার্স সেন্তরগী একজিক্যুতিভ দাইরেক্তর ওইরিবা ডাঃ ঐচ.এল. লিয়েনসাংনা মণিপুর সরকারনা হোস্পিতাল অসিব্ ফুমং ১০০ লৈবা হোস্পিতাল অমা ওইহনবদা অয়াবা পীরকপবু থাগৎপা ফোংদোক্লি। মহাকা হায়- মফম অসিগী মীয়ামগী হকশেলগী লমদা হোস্পিতাল অসিনা হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি।

জিএসটিঃ  লৈবাক অসিদা গুদস এন্দ সাভির্সেস টেক্স (জি.এস.টি) গী নৌনা শেমদোক্লবা চৎন-কাঙলোনশিং অসিনা মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

থা অসিগী ২২ দগী চৎনবা হৌগদৌরিবা অনৌবা চৎন-কাঙলোনশিং অসিনা হিদাক লাংথক্কী লমদা কান্নবা কয়া পীরগনি। হিদাক লাংথকশিংদা হান্না জি.এস.টি চাদা ১২ গী চাংদা লৌরম্বা অদুদা নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্ম অসিদদি চাদা ৫ খক্তমক লৌরগনি। অতৈ লাইফ সেভিং খরদনা জি.এস.টি শুকলৌররোই হায়রি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং জিলাগী অঙান চীং ইকো পার্কতা ঙসি নোংমগী ওইবা স্প্রিং সেট মেনেজমেন্ট দিভলপমেন্টকী মতাংদা অখন্নবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত মণিপুরনা এল্লায়েন্স ফোর দিভলপমেন্ট ওল্টরনেতিভ মণিপুর ককচিংগা খুৎশমরবা শিনবা থৌরম অদুদা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী দিরেক্তর টি. ব্রজকুমার সিংহ শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ৱার্ল্ড বেম্বু ডে পালন থৌরমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ওফিসিয়েলশিংনা অঙান চাংগী অকোইবদা ৱা পান্বীশিং থাখি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা জিলা অদুদা শা-ষন লোইবা মীওইশিংনা মখোয় মখোয়না লোইরিবা শা-ষনশিং লম্বীদা থাদোরক্তনবা খগুহনখ্রে। খোঙথাং অসি শা-ষনশিংনা অচৎ অওকশিং অমসুং গাড়ি থৌবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা থোকহনবদগী লৌখৎলকপনি। শা-ষন লোইরিবা মীওইশিংনা মখোয় মখোয়গী শা-ষনশিং অদু করিগুম্বা লম্বী শোরোক্তা থাদোরকপা তারবদি আইনগী ওইবা মতেং লৌদুনা চৈরাক ফংহল্লগনি হায়রি।

আরএসএস (এল)ঃ রাষ্ট্রিয়া সোয়ম সেবক সংঘ (আর.এস.এস) মণিপুর প্রান্টনা ঙসি ৱারী ৱাইতা এদরেট সংঘনা চহি ১০০ শুরকপদা হায়বা লাইরিক অমা ইম্ফাল ইষ্টকী কোঞ্জেং লৈকাইদা লৈবা ভাসকারা প্রভাদা ফোংখ্রে। থৌরম অসিদা শকাইরবা জরনেলিষ্ট, আর.এস.এসকী কারিয়াকর্তাশিং, ইন্তেলেকচুয়েল অমসুং মীয়ামগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

ত্রেনিং (এল)ঃ চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইবোংদা লৈবা দি.টি.সি ত্রেনিং হোলদা নুমিৎ হুমি চুপা চথরকপা দিষ্ট্রিক্ট প্রোসেস লেব ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে। থৌরম অসি আদি কর্ম্ময়োগি অভিয়ানগী মখাদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অসি চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলা অনিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

ডে (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী বাইও কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী মাইক্রো বাইও টেকোলোজি রিছার্স লেবনা ইন্তরনেসনেল মাইক্রো ওর্গানিজম ডে ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা দিপার্টমেন্ট অসিগী ঐচ.ও.দি, মহৈরোই, ফেকলতি মেম্বর অমদি পি.ঐচ.দি তৌরিবা মহৈরোইশিংসু শরুক য়াখি।

নিরমালা ঃ কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়রি- লৈবাক অসিগী রাজ্যশিংদা হাংলিবা ইন্দষ্ট্রিয়েল ত্রেনিং ইন্সটিট্যুটশিংদা এ.আইগী ত্রেনিং

সেন্তরশিং থমবা কেন্দ্র সরকারনা মতিক চাবা শেন্থং পীরগনি। ৱাফম অসি মহাকা ঙসি দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়- বিক্সিত ভারত ওইহন্নবা ঐখোয়না হ্যুমেন রিছোর্স ট্রেনিং খক নত্তনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিং নিংথিনা মথৌ পাঙথোকবা অমসুং মগুন লৈবা পোৎ-চৈ পুথোকপা তঙাইফদে। অফবা মখলগী পোৎ চৈ শাবা অমসুং এক্সপার্টশিংনা পোৎ চৈ শাবা মতমদা কুপা য়েংশিল্লবা মতমদতা লৈবাক অসিদা মগুন লৈবা পোখোকশিং পুথোকপা ঙমগনি।

অশ্বিনি ঃ কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- ইনকম টেক্স এক্ট অমসুং গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্সতা শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা অহোংবা কয়া উবা ফংলে।

দিল্লিদা পাঙথোকপা পি.এ.এফ.আইগী চহিগী ওইবা মীফমদা শ্রী বৈষ্ণোনা হায়- হন্দক্তা নৌনা শেমদোক্লবা জি.এস.টি অসিনা ঐখোয়না নুংতিগী শিজিন্নবা পোৎলমশিং অমসুং লৌউ শিংউগী পোখোকশিংগী মমল হন্থনা ফংলগনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিদা পুথোকচদবা পোৎ-চৈগী মমল হন্থরক্লবদি মীয়ামা পোৎ চৈশিং অসি লৈবগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা মতেং ওইরগনি।

বিহার ঃ বিহারদা সাথ নিসচয় প্রোগ্রামগী মখাদা পায়খৎপা মুখ্য মন্ত্রিগী নিসচয় সেল্ফ হেল্প এল্লাৱেন্স স্কিমনা রাজ্য অদুগী মহে তম্বা লোইশিল্লবা চহি ২০ দগী ২৫ ফাওবদা লৈবা থবক ফংদনা লৈরিবা নুপা অমসুং নুপীশিংদা কান্নবা ফংহল্লগনি। স্কিম অসিগী মখাদা মীওই অমমমা চহি অনি ফাওবা লুপা লিশিং অমমম থাগী শেনফম ওইনা ফংগনি। খোঙথাং অসি রাজ্য অদুদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী মাংওইননা মুখ্য মন্ত্রি নিতিস কুমারনা পায়খৎপনি। স্কিম অসিনা সরকারগী নত্রগা লনাইগী থবক অমত্তা তৌদবা মীওইশিংদা কান্নবা পীরগনি। শ্রী নিতিস কুমারনা হায়- থা থাগী পীরিবা শেনফম অসিনা নহাশিংনা মখোয়

মখোয়গা চান্নবা থবক ফংনবা কম্পিতিতিভ একজাম থানবা ত্রেনিং তৌবদা খরা মখৈ কান্নবা ফংহল্লগনি।

তেলঙ্গনাঃ তেলঙ্গনাগী ষ্টেট হেলথ দিপার্টমেন্টনা নুপীশিংগী অখন্নবা হেলথ কেম্প লিশিং ২০ হেন্না রাজ্য শিনবা থুংনা পাঙথোক্কনি।

খোঙথাং অসি স্বাস্থ্ নারি সাসক পরিবার কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা মথং থাগী অনি ফাওবা চথ্থগনি। রাজ্য অদুগী হকশেল মন্ত্রি-সি.দামোদা রাজা নরাসিমহানা ঙরাং হায়দ্রবাদতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

নুমিৎ ১৬ নি চথ্থগদবা কেম্পেইন অসিদা হেলথ চ্যেকঅপ অমসুং কেন্সর, এনিমিয়া অমসুং টি.বিনচিংবা লায়নাশিং খঙদোকবা স্ক্রিনিং কেম্পসু পাঙথোক্কনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

মৈরাবা(এল)ঃ লখনৌদা পাঙথোকখিবা য়োনেক্স সন রাইজ ডাঃ অখিলেস দাস গুপ্ত মেমোরিয়েল ওল ইন্দিয়া সেনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন তুরনামন্টে ২০২৫ দা মণিপুরগী মৈরাবা লুৱাং নুপাগী সিঙ্গলসতা ফাইনেল চংলে। থা অসিগী ১২ দগী পাঙথোকপা তুরনামেন্ট অসি য়ু.পি. বেদমিন্টন এসোসিয়েসন্না বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপনি।

সেমি ফাইনেলদা মৈরাবনা গিনপোল এসপু ষ্ট্রেট সেট ২১-১২, ২১-১৫ দা থোইখি।

গেমস (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিয়েসন থৌবালনা শিনবা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস ২০২৫ থা অসিগী ২৪ দগী হৌরগনি। থা অসিগী ২৮ ফাওবা চথ্থগদবা গেমস অসিদা ফুটবোল, বোক্সিং, বেদমিন্টন অমদি ৱুসু য়াওনা তোঙান তোঙানবা মশান্না ২০ দা অথোই অহেন তান্নগনি।

হৌদোকপগী থৌরম ৱাংজিং কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি।

ককচিং (এল)ঃ  দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি.এস.এ) ককচিংনা শিনবা ২২ শুবা কে.এস.ঐচ. লৈহাও দেবো মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ থা অসিগী ২১ দগী হৌরগনি। লিগ অসিদা টিম ৭ না শরুক য়ারি।

অমরোমদা, দি.এস.এ ককচিংনা শিনবা ২০ শুবা কিশোরকুমার মেমোরিয়েল ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৩-২৪ থা অসিগী ২২ দগী হৌরগনি। তুরনামেন্ট অসিদা টিম ১১ না শরুক য়াগনি।

বেদমিন্টন ঃ চাইনাগী সেঞ্জেনদা পাঙথোক্লিবা বেদমিন্টনগী চাইনা মাষ্টরস সুপর সভেন ফিফতি তুরনামেন্টতা ভারতকী পি.ভি. সিন্ধু নুপীগী সিঙ্গলস ক্বাটর ফাইনেল চংলে। পি.ভি. সিন্ধুনা থাইলেন্দগী পোর্ন পাৱি চোচুৱোংবু মায়থিবা পীরম্বদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখিবনি। ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা মহাক্না সাউথ কোরিয়াগী অনসে য়োংগা শান্নগনি।

অমরোমদা, নুপাগী দবলসতা সতৱিক সাইরাজ রনকি রেদ্দি অমসুং চিরাগ সেত্তিসু ক্বাটর ফাইনেল চংলে।

------